# “থূৎ লাউবা নথৌনা নরিংজেল-!”

## – এল ইবোমচা –



খৃষ্টকী চহীচা তরামাপল লোইশিল্লকপদা মণিপুরীশিংনা মশাগী মনীং-মখা তম্বা মাঙখিদুনা ইংগ্রেজশিংনা লৌশিনখিবদগী ইংলিস লোল তম্বা অমদি নোংচুপলোমগী ওইবা মহৈ মশিং তম্বগী অকনবা ঈহৌ অমখক মণিপুরদা লাকখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদসু চৎনরকপা ফ্রেঞ্চ, পোর্টুগিজ, পার্সি অমদি উর্দুনচিংবা লোলশিংগী ৱাহৈ-ৱাতা কয়া মণিপুরদা চংলকপা হৌরকখি। অদুম ওইনমক খৃষ্টগী কুনশুবা চহীচা হৌগৎলকপা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাউ ফাওবদা নোংচুপলোমগী মহৈ মশিংগী ইথিলদগী লোলগী য়াওন অদুক হাক্লা খুমাঙ চাওশিনখিবদি নত্তে। অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী লাকপা লান্মী অমদি মীওই কয়ামরুম থেংনরুবদগী চহী কয়াগী চৎনরকপা নাৎ-চৎনবী কায়থরকপা ধর্ম্মগী অচেৎপা লিপুন কোমথোরকপা, হিংবগী পূন্সি লানফমদা অচোপ অরেম লৈনরক্তবা অসিগুম্বা অওনবা কয়া মণিপুরী খুন্নাইদা মমি তাবা হৌরকখি অমদি নীংতম্বা ফংলবা তুংদা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিনখিবা, নিংথৌ লৈঙাক্কী মহুত্তা গনতন্ত্র চৎনহল্লকপা অসিনচিংবা অওনবা কয়া অসিনা মণিপুরগী খুন্নাইদা মমি তাবা হৌরকখি। নাৎ চৎনবী লোলদসু অকনবা চৈথেং অমা লাকখি। তৌবদি লোলদা মপানগী লোলয়ান খরা য়ানশিনবা হৌখ্রবসু লোল অসিগী ময়েক অমদি য়ূমথোঙ খুদিংমক্লা সনামহী লাইনিংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী নীংবদি কনানসু থাদোক্লুদে। শীজিন্নদুনা লৈরিবা লোলগী মতাংদসু মণিপুরী লোলসিদা তঙাইফদবদগী মপানগী লোলগী ৱাহৈ খরা শীজিন্নখ্রবসু অয়াম্বদি য়ারিমখৈ মীতৈলোল শীজিন্নে।

হৌজ-থেঞ্জাং কয়া কয়ারক্তা মীতৈ লৈবাক মণিপুর অৱাবা চৈথেং কয়া নংখ্রে। মীরৈবাক্লা মণিপুরবু কল্লকপা হেনমনবদগী লান্দারকপা কয়া অমা মায়োক্লুখ্রে। কল্লকপদগী য়েক্লবা ওইরকই হায়বসিসু চুম্বজাৎনি। মণিপুরবু য়াম্না কল্লকপা য়ূমলোন্নবা লৈবাক কয়া লৈবনা লান মশীং খঙদনা শোক্লুখ্রে। লান অয়াম্বা মণিপুরনা মায়থীবা পীখিবা ঙাক্তনি। মণিপুরসি লৈখা তাদুনা মাঙখিগে হায়রবদি এঙলো মণিপুর ৱার অদুদসু অদুমক মমিং ফাওবা তারমদনা মাঙখিবা য়ারল্লবনি। অদুবু মণিপুরগী মথৌনা ফবা-ফবী মপারী মমোম কয়া পোকপনা লৈখা তানদি মাঙখিদে। বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীবা নংদুনা মীখা পোন্দুনা চহী ৫৬ রোম লৈরুরবসু ইন্দিয়াগী চহী ১০০ মথক্কী মীখা পোন্না লৈরুবা অদুগা য়েংনরুরবদি য়াম্না তেনবা মতম্নি।

অমরোমদা, ইমা লৈবাক মণিপুর মপুগী থৌজাল ফংলবা লৈবাক্নি হায়না শীংথাবা য়াই। ইনুং শোরা তৈরকপা চীংখৈ ফিদুপ হুল্লকপা অঙনবা অয়ূক্কী মতম লাকপদা ক্বাক্কী লানবাউ শিনবা লমদমনি। তময়ানা কোরি চেল্লকপা নুমিদাংৱাই মতম্না থোইনা হেন্না ফজবীনি। পোম্বীদা য়েংই ৱাত্তবী, চেক্লাদা য়েংই ৱাত্তবী ফজবদা মপা লৈত্রবা লৈবাক্নি। মহৌশা খূৎশেমগী তুংনফম্নি। মহৌশাগী ওইবা নিংথিবা ফজবগী শক্তম অসিনা ইমা লৈবাক মণিপুরগী ফিজোলনি। বসন্ত ঋতুগী মতম য়ৌরকপদনা অমুক্কা হেন্না ফজবগী মপা লৈতে। হৌরিবা উপাল-ৱাপাল খুদিংমক অনৌবা য়েন্নিং চোংলকই। লৈরাং, পাম্বীদনা অনৌবা লৈরাং লৈশাৎ তম্লকই অদুগা হৈরাং পাম্বীদনা অনৌবা মহৈ পান্নবা ময়োল চোংবগী মমি তম্লকই। মসিগী মথক্তা বসন্তগী অনৌবা আশাদা তাউরিবা পোম্বী চেক্লা কয়ানা ফৈরাথক্তা তোংদুনা নুংশিবা সুরগী খোঞ্জেলদা খোংলিবা লমদমনি। চীংশাং পরেংনা পনগী মতৌগুম্না খারীবী চীংমীশিংনা লান্মীগী শক্তম লৌরদুনা চীংশাংবু কোইনা ঙাক্লিবা লমদমনি। অসুম্না শীংথাবগী লোইবা খম্বা নাইররোইদবা লমদমনি।

মীরমদগী পাইরক্তুনা চাক্তাররিবা উচেকশিং অসিসু অদু মঙাই। অমুক্তং মণিপুরদা পাইরক্তুনা চাক্তাররবা, চহী হেক খুদিংগী চাক্তারবদি শোয়দ্রে। মরমদি মীরমদগী পাইরক্তুনা মণিপুরগী চেঙবু চাখ্রবা, মণিপুরগী ঈশিংবু থকখ্রবা মণিপুরবু কৈদৌনুংদা কাউবা ঙম্নদবা মদুননি। অদুবু মতম খরা চাক্তাদুনা লৈরল্লগা মচা মশু পোক্লবা মতুংদা মশাগী মরমদা মচা মশুশিং পুল্লপ হৌনদুনা পাইদুনা চৎনখিবা ঙাক্তনি।

অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা মতম খরগী ওইনা শৈদাংফম লৌররিবা ফূরুপ অমগী মীওইশিংদি অথীবা খোন্দা শীজিন্নরদুনা অমদি মঙকশম পায়দুনা ইল্লবসু মখোয়গী হান্নগী মফমদা হনখ্রো হায়বদা য়াদবা অদুবুনি। হল্লু য়াবদি লায়রদনা লমদম অসি মখোয়গী মপা মপুশিংগী লমনি হায়নদুম হায়রকই। অসুম্না মখোয়গী মপা মপুশিংগী খোইরি নাওফম তাবা মফমদা হল্লু য়াদবা মীওইশিং অসি অতৈ কনা নত্তে, কুকিশিং অসিনি। কুকিলেন্দ শেমগে হায়না মীতৈশিংগী মথক্তা মীহাৎ মীপূন থন্না য়াওবা লান চথুরিবা কুকিশিং অসিনি। মণিপুরগী চীংয়া তময়াদা কুকিলেন্দ দিমান্দ তাল্লিবনি হায়না মখূত্তা নোংমৈ, বোম, টোপ পায়দুনা মীতৈশিংদা অশি-অনা, অশোক-অপন নংহল্লিবা কুকিশিং অসিবুনি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি চীংখোঙ চীংয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা মীতৈশিং তংদু লৈতানা লৈজবা ফংহন্দ্রে। ইন্দিয়াগা সূ চথনরিবা কুকিশিংনা মালেমগী লৈমায়দগী মীতৈশিংবু তুম্নবা হাৎলগে মতাগুম মীনা তূম্না-হিপ্নখ্রবা অথেংবা অহিংদা থোঙ নমখায়দুনা চঙলল্লগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থবক চথুদুনা লৈ। মসিদা লান খাম্বা লাক্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদা লৈথোক্লি। কুকিশিংগা মান্নরগা মীতৈ ফূরুপ মুখুৎনবা কন্না হোৎনমিন্নরি।

য়াম্না ঙক্লিবদি মথোং হুক্ত্রবা কুকি মিলিটেন্টশিংদা অসাম রাইফলসনা চাউনা মতেং পাংলিবা অসিনি। করম্বা আশাদা করম্বা অশানবা মীৎয়েংদা য়েংলগা করি করম্বা ওইজ-ওইথক ফংবদগী মতেং পাংলিবনো খল্লুবদা মন্মী। চীং অমদি তমদা ঈরাং নমথনবনি হায়দুনা কোম্বীং ওপরেশন তৌবা মতমদসু তম্পাক্কী খুল ঙাকপশিংনা পায়রিবা লাইসেন্সকী দবল বেরেল নোংমৈ অমদি খুল ঙাকপা নহাশিং ওইনা ফাই। অদুগা চীংদা কুকিশিংনা পায়রিবা অফবা মখলগী ফোরেন মেদ নোংমৈশিং ফাদে অমদি নোংমৈ কাপ্পল্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংদু ফাবা পুনবা তৌদে। কুকি মিলিটেন্টশিংনা এস এল আর অমদি এম সিক্সটিন নোংমৈ শীজিন্নদুনা কাপ্পলকই। অদুগা কোম্বীং ওপরেশনদা কুকি মিলিটেন্টশিংদগী করিগুম্বদা নোংমৈ ফারক্লে হায়দুনা অসাম রাইফলসনা উৎলকপা মতমদনা পাইপনা শাবা কন্ত্রি মেদ নোংমৈ ওইনা উহল্লকখি। অদুগা কুকিশিংগী বঙ্কর কয়ামরুম থুগাইরে অদুবু মীদি ফাবা ঙমহৌদ্রে, নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রকখি। মৈরা পায়বীশিংনা শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎপা অমদি ৱাকৎ মীফম ফম্বদা টিয়র গ্যাস, রবর বুল্লেট কাপশিনখি। করি করিগুম্বদা লাইব রাউন্দ ফাওবা কাপ্তুনা তানখায়খিবা লৈখিবনি।

অসুম্না সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মীচং মীখাই নাইবগী থৌওং অসিদা খাঙবদা ৱারবা মীতৈশিংনা নখোয় লৈবগী করিসু কান্নদে, ঐখোয়না থোকপা অমা তৌরগে, লান শাংথনবনি, মণিপুরদগী চৎপীখ্রো, চাবা তিংননবা, অমাংবনা ৱাই চাইনবনি হায়না মায়কৈ কয়া কয়াদগী তানবা হৌরকখি। বফর জোন তম্পাক লম খক্তদা চৎনহল্লি। চীংগী লমদনা ফ্রী থাই। বফর জোননা কুকি মিলিটেন্টশিং মনীং মখা তমহনখি, তম্পাক্তা কুমথরক্তুনা চীংয়া তময়াদা লৈবা মীতৈশিংদা লান্দাবদা য়াহল্লি। অদুগা মীতৈশিংনা বফর জোন ঙাক্লা চৎহন্দুনা চীংখোঙ য়ৌনা চঙবা য়াহন্দে।

অদুগা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংথক্তগী তম্পাক্তা নোংমৈ কাপথরকপদা করিসু হায়দে। মদুদা খুল ঙাক্লিবা মীতৈ নহাশিংনা মশা ঙাকথোকচনবা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌরুবদনা অথিংবা পী। হৌজিক লৈরিবা বফর জোন অসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফ্রীদা থারগা মীতৈশিংবুনা মখোঙ মখূৎ পুনশিল্লগা থম্বগুম্বনি। হোম মিনিষ্টরগী বফর জোনসি কুকি মিলিটেন্টশিং মনীং তমহন্নবা, মীতৈ তুম্না হাৎনবা থম্বা বফর জোননি। কুকিশিংগীদমক্তা থম্বা প্রোক্সি বফর জোননি। অদুনদি বফর জোন হায়রিবসি মীতৈ হাৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা কুকিদা পীবা লাইসেন্সনি। মণিপুর কল্লকপদা ইন্দিয়া য়াওরম্বনি। লাইসেন্স পীরবা ফাওবা মীতৈ তুম্না হাৎতুনা লান লোইশিনবা ঙমদবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংদা “থূৎ লাউবা নথৌনা নরিংজেল-!” অদুনা করিগী মীতৈদা খৎনবা হৌরিবা হায়না চৈরমগদববু মাল্লক্লি।-? ●

# অশিবা ফাইলদা নমশিনখ্রবা মণিপুরগী মরাইবক

## – বি সী খুমন –

অনৌবা লৈঙাক অমুক লৈরবা য়াই ঙাঙনবদি তারে। করিবু অহেনবা অফবা পুরক্কদৌরিবনো খঙদে। মশাগী ওইজবতা থিবা ঙাচক্কুম্বা এম এল এ খরনা শামু মতুংদা পেনা খোঙলুনবা হোৎচিন্নখ্রে। দেল্লী কৈথেল কাবা হৌনখ্রে। চহী অহুম ফাগদৌরবা পাঙদবা ফূরুপ অনীগী লান খরা খরা পাথরকপগী নিংশা-শ্বর চনিং তানা হোন্দোক্কে খল্লিঙৈদা ফম্বাল লানপাউনা নাকোং শীংজা য়ৈরক্লনি। তানীংখিদ্রেদা! খোইদৌ থীৎখ্রেদা! মৈ ঙ্রুং-ঙ্রুং চাক্লিবা মরমদমগী অৱাবা মচেৎ অমত্তসু ফাওদবা, মীয়ামদগী নীদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইখিবা এম এল এনা মীয়াম্বু লাপ্না ইম্থোক্লগা, মঙজাও মঙদুনা মোন্তেক মোন্দুমদা মখে লাংলিবা! সিবু তাইবঙ লিচৎলা? হান্নদি য়াম্না মান্না হায়নরম্বদাইনে “মীয়াম্না ঈশিংনি, ঐখোয়না ঙানি, ঈশিং য়াওদনা ঙানা হিংবা ঙমদে”। হৌজিক্লা মীখলদবু মায় পাকখ্রবদি তোপ-তোপ্পা পূন্সি মহিং অমা! ওক্লা নিনবা মখৈ নীঞ্জরগা লমহুইনা মনা থাই হায়সিদি শুকওন ওন্দেদা। হোয়, অপঙগী মরল অশিঙবনা চাই হায়দুনি। খোইচাক মীতারুবনা ঙানা খোইদা থুবনি হায় তারে। হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংই হায়বগুম মীখলগী মনিল নাইরক্লে। শুকলেপ হেক লেপ্তুদা! কুক্ষৈ হরাওগী ঙাঙনরিঙৈ, অনী থোকপীগী ফুনগৎনরিঙৈ, পুনশিন্নসি য়াদবগী খোয়শাওনরিঙৈ ষ্টেটসিনা মনিং হনখ্রিবসি চহী দিকেদ কয়াদা মীমান্নবা চেনখৎলকপা ঙমগনি খল্লি অপঙ, কতন, থীবোং পান্দবশিং। মতমসি স্পেস এজনি কাউথোকপমখৈ থায়নগী, মথায়-থায়নগী নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী লান ঔরাইরিসিবু পুৱারীদা ঙাওজৈ হায়রিরো? ফত্তবা শাদি থোক হাৎতোকখ্রগা লোইরে, ফত্তবা মীদি লোনা হেক্তা হাৎপা য়াহন্দে। অদুবু মতমসিগী ওইনদি ফত্তবা শাদগী ফত্তবা মীনা তমথীবা হেল্লি - লোনা করি হায়রকখিনি খঙদ্রি।

নেশনল হায়ৱে হাংফাৎত্রি - কোটুগী ব্লোকেদনা মাঙ থাখ্রে। হায়ৱে ফ্রী মুভমেন্ট ওইহনসি হায়বা, পোপী থাগুমসি হায়বদা মণিপুরী ওইজরোই, তোঙানবা ষ্টেট অমা পীরো হায়বা ঙম্বা কোটুনা শেলগী পেরে ফুনখিবা পামদবগীনি। লানদা মরোল মরাং তাক্লম্লনি। দ্রগতি ঙমখৈ শুংজল্লুরে, নোংমা কাংদে ক্রোর ক্রোরগী দ্রগ ফারে হায়নরিবা। দ্রগ য়োল্লগা, হায়ৱেদগী শেল খায়রগা মীতৈ/মৈতৈ তুম্না হাৎকনি খল্লম্বা ৱাখলদুবু হোংদ্রিজাৎলা? মীতৈদি চুড়াচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপী কাউখ্রে। নেশনল হায়ৱে অনী লৈরি হায়বসু নীংশিংলুদ্রে। কুকিদি নীংশিং নীংশিং মীশি চাদনা শিগদবা ৱাৎলিদা। মখোয়গীনি খঞ্জরম্বা ইন্দিয়ন আর্মিগী খূত্তা নৎত্রগা শুংলিবা দ্রগতু য়োনফম লৈতবদগী ওনশিন-ওনশিন চামিন্নদুনা যিশুগী মনাক্তা চৎখ্রনি। কুকিনা খঙগদবদি - পাপ হায়বসি মীওইবনা অসুক্কী মতিক হঙ্গৈাই-তুক্কৎচনবনি, অদুবু মখোয়দি পাপ মশক খঙদবা ফূরুপনি। মখোয়গী তাংদাংবা লৈফম লৈতে, মখোয়দা লো লৈতে। মখোয় ইন্দিয়াননি খনবসু হৈতে।

অদুঙৈ নাগা লূপ অমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনঙৈ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নাগাশিং করম্বা ফীভম ওইহনখি। দিলিং টেক্সিসতা ‘আই’ শিখ্রে ‘এম’ সু মমং খূৎনা লাম্বা ফংগদৌরে। দিমান্দদি - ওইথোক্লোইদবা লমদম অমদা উনা-উনা লাপহন্দুনা নাগাশিং তকসি শোল্লি। ‘সূ’ না নাগাগী অরোৎ-অফোং মন্তিক্লখিবনা হৌজিক্তি চাসি মতোং, হুন্দোকসি মরূ হায়দুমক তারে। সিমক কুকিনা পাল্লিবা নৎত্রা? অপঙবা শানা শাদানবগী লাংদা থুবনি, অপঙবা কুকিনা ইন্দিয়াগী লাংদা থুখিবা-ঙকফম থোক্তে। নুঙাইতে, চহী দিকেদ কয়া চঙনা মঙখিবা মঙ, মঙফাওনদনা মীকপসু থোকখিদবসিদি তৌরুবা পাপকী মহয় ওইসনু। কুকিনা পাপ পুদনা কনানা পুগনি। ঙাকপীবা ঙম্বা মীতৈনি অদুবু হন্দক্কী লান মতুংসিমদি কুকিবু ঙাকপীনবা মীতৈগী থম্মোয় পান্দ্রে। দেঙ্গিগী কাঙনা কৈদৌনি, ‘হাৎপা নত্তনা পাম্বে লৈতে”।

ঙক্তবা ঙমদে, শউম খজিক্তং ফংবদা দেল্লীদা পাইশিন্নরিবসি এদ্দিক্ট চুরবজাৎনি। দ্রগ ফংদ্রগা ময়া কোঙ্গোল কান্নবগুম মিনিষ্টর ওইদ্রবদি শারৈ হৌবা এম এল এসু লৈরম্বা তাই। নাকল অমরোমদা কুকিগা চারৌ মৌরৌনরম্বসু য়ারি। ইকায়বা, চোপ্পা, মীনা থীনা ঙাঙনবা মখোয় নাচুংদে, লাননা চৈথেং পীরিবা আই দি পিগী অৱাবা খঙশিন্নদে। মতম অমদা মোদিনা মীতৈগী মশক য়েংনীংদবা, মীতৈগী মপাউ তানীংখিদবদুমক ঙসিনা লমদমসিগী এম এল এ (রুল্লিং) শিংনা আই দি পিগী মনাক নক্লিংদ্রবা খল্লকই। ওম্থোকপনি উদি উ, কাবা য়াদবা উ, লাইদি লাই পীথোকপা হৈতবা লাই, লৈদি লৈ লাইদা কৎপা য়াদবা লৈগুম্বা বি জে পিগী এম এল এদা তোপশিল্লিবা মায়খুমসিবু মথংগী ইলেক্সন ময়াদা হাংদোকপা ঙম্লকখিগদরা? মখোয়গীদমক ইকায়বী।

হায়নরিসি তাবা অদুম্মক য়াবা জাৎনি “থম্বাল লৈমন চন্দ্রিঙৈ খূবাক অহুম্লক খুরগা পৎ থৎত্তুনা খয়োম লাকখ্রনি” করি মহয় ফংনবগী চবান থাগদৌরিনো? খঙদে, খঙলোই, লুখ্রবা লৈঙাক্লোনগী লৌনম লাংনি। লমদমসিগী ওইনদি হামু-হামুনি, কোংগ্রেসতা তাইনরুনু, বি জে পিদা শাপ তৌরুনু। মখোয়না মণিপুরগী মরাইবক লেপ্পা ঙম্লমদ্রে। মণিপুরগী মরাইবক্তি মরৌ লৈখ্রবা ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগী ফাইলদা - সি তৌ, সুম্মাইনা তৌগদবনি হায়না ইরি। কুইরে, কুমজা ১৯৪৯দগী ঙসি ঙসিসু অহোংবা নাইদ্রি, অশিবা ফাইল ওইনা লৈরি। মায়চৌ তরেৎ শাফোঙলকপগা পরৈ হন্দোকসনু। ●

# দিজিটেল প্লেটফোর্মগী মখল অমসুং লোকলগী ওইবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম -৩

## – আনন্দ লাইশ্রম –

(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)

মতম খরগী মতুংদদি Uber না Grab অমসুং Gojek গা থেংনবা ঙমদবদগী সাউথ ইষ্ট এসিয়া পুল্লপ ওইনা থাদোক্লগা চৎখি।

৩) দিজিটেল প্লেটফোর্ম খরা অমনা ইন্টরনেটকী মতেংনা পাউ ফাওদোক্লবদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা হায়রবদা Facebook, Instagram, WhatsApp etc. মখোয়বু ঐখোয়না virtual community platform হায়না খঙনবা য়াই। অয়াম্বা লমদদি অমেরিকাদগী হৌদোরকপা হায়রিবা virtual community platform খরা অসিনা ওইনা শীজিন্নে।

লম অমগী লোকল ওইবা মশাগী virtual community platform হৌদোকচবা খরা লুই। পুল্লপ ওইনা য়াদবদি নত্তে। খুদম ওইনা হায়রবদা, চাইনাদা ৱাটসএপকী মহুত্তা WeChat শীজিন্নে, গুগলগী মহুত্তা Baidu শীজিন্নে। মসিগী মরমদি চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা অমেরিকাদগী হৌদোরকপা virtual community platform কয়াবু থিংজিনখিবা অদুনা ওই। ইন্দিয়াদদি লোকল ওইবা WhatsApp, Instagram, Facebook কী মহুৎ শিনবা virtual community platform অমত্তা লৈতে।

৪) দিজিটেল প্লেটফোর্ম মখল অমনা দিজিটেল প্রদক্ট প্লেটফোর্ম হায়না কৌই। মসিগী মখলগী প্লেটফোর্মনা app, video game, software program, cinema নচিংবা লৈবা/য়োনবা/য়েংবা/শান্নবা/শীজিন্নবদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা হায়রবদা ময়াম্না শীজিন্নরিবা স্মার্টফোনদা য়াওবা এন্দ্রোইদ প্লে ষ্টোর অমসুং Apple App Store; Microsoft Windows; Sony PlayStation; Netflix. দিজিটেল প্রদক্ট প্লেটফোর্ম মখল খরদি লম-লমদা মশা-মশাগী হৌদোকচবা য়াই।

খুদম ওইনা হায়রবদা লম খুদিংগী মশাগী video streaming platform লৈজবা য়াই। Video streaming platform শিংনা লমদুগী সিনেমা কয়া অমা মীয়াম্না য়েংহনবদা মতেং পাংই। আমেরিকাদগী হৌদোরকপা Netflix মফম খুদিংমক্তা য়ৌবা ঙম্মী। অদু ওইবা তারবসু ইন্দিয়াগী মশাগী ওইবা Sony LIV, Jio HotStar গুম্বসু লৈজৈ। অতোপ্পা লম কয়াদসু মশাগী ওইবা ভিদিও ষ্ট্রিমিং প্লেটফোর্ম ফজনা লৈনৈ। অদু ওইবা তারবসু, দিজিটেল প্লেটফোর্ম খরদনা লোকলগী ওইবা হৌদোকচবা ঙম্নদে।

খুদম ওইনা হায়রবদা, মীয়াম্না স্মার্টফোনদা Apple App Store নৎত্রগা Android Play Store বু ওইনা অয়াম্বদা শীজিন্নে।

৫) হৌজিক ফাওবা নৈনরকপা দিজিটেল প্লেটফোর্ম মখল মরিসি নত্তবা বুকিং প্লেটফোর্ম অমসুং ইনফোর্মেশন মেটচিং প্লেটফোর্ম হায়না দিজিটেল প্লেটফোর্ম মখলসু লৈরি। বুকিং প্লেটফোর্মশিংনা মীয়াম্বু airline ticket ককপা নৎত্রগা হোটেলদা কা বুক তৌবগুম্বা থবক পাঙথোকপদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা হায়রবদা Yaatra, OYO, MakeMyTrip.

Information matching platform শিংনা মীয়াম্বু থবক থিবা নৎত্রগা ডাক্তরশিংগা ৱা তান্নহনবদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা হায়রবদা Practo, Naukri.com. বুকিং প্লেটফোর্ম অমসুং ইনফোর্মেশন মেটচিং প্লেটফোর্মগী মতাংদদি লম-লমদা মশাগী লোকল ওইবা প্লেটফোর্ম হৌদোকচবা য়ানৈ।

মথংগী আর্টিকলদা দিজিটেল প্লেটফোর্মগী মরু ওইবা খরগী মরমদা খরা কূপ্না খঙমিন্নসি অমসুং digital sovereignty গী মরমদসু নৈনমিন্নসি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৩গী ৱাহং

১) “নোংলেন অমগী ৱারী” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) “মন্থরবা লৈনাশিংনা কপলি
য়েংলি কিজনা মালংববু
লোৎলি অকংবা মশারক্তা।”

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) “চৈনাখোলগী চৈনা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৪) “ঐগী নুংশিরবী পোক্লফম লমদম! নঙগী নরাইবক্তা
হৌরিবা উফুল অসি-
করম্বা লৌমীগী লাঙ্গোন উকায়না
লৈতা মান্নহনবদা হৌবা উফুল নত্তে।”

শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) “ভক্ত প্রহ্লাদ চরীত” (১৯৯৩-৯৪) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।